## মোদিনা দেনিস পি এম উনখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাংজ নুমিত্তা দেনমার্ককী মহাক্কী লেংমান্নবা মেট্টে ফ্রেদরিকসেন রাস্ত্রপতি ভৱনদা ওকখ্রে।

দেনিস প্রাইম মিনিষ্টর অসি নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা লৈবাক অসিদা লাকপনি। মোদিগা উনরবা মতুংদা ফ্রেদরিকসেননা ইন্দিয়াবু মহাক্কী লৈবাক্কী মরু ওইবা পার্টনর অমনি অমসুং খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিং হেন্না ফগৎহনবদা মতেং ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ফ্রেদরিকসেননগী ইন্দিয়া খোঙচৎ অসি হৌখিবা চহীগী অঙনবদা কোরোনাভাইরস পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা অথিংবা থমখিবদগী হেদ ওফ ষ্টেট নৎত্রগা গভর্ণমেন্টকী মকোক অমনা লৈবাক অসিদা লাকপা অহানবনি। মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনাক্সি লেখিনা দেনিস প্রাইম মিনিষ্টরবু ইরাই নুমিত্তা এয়রপোর্টতা ওকখিবনি।

## গোৱাগী অফবা টুরিষ্ট সীজন ওইরগনি

পানাজি, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): চহী অসিগী নভেম্বর ১৫দগী ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিং লাকপা হৌবগা লোয়ননা চহী অসি গোৱাগী ওইনদি অফবা টুরিষ্ট সীজন অমা ওইরগনি হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱাননা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী কোভিদকী ফিভম নীংথিনা কন্ট্রোল তৌরে অমসুং টুরিজমগা মরী লৈনবা বিজিনেস খূদিংমক্না গভর্ণমেন্টনা ইস্যু তৌবা প্রোটোকোলশিং অমসুং এস ও পিশিং ঙাক্লগা থবক হৌদুনা পেন্দমিককী চৈথেং ফংলুরবা ইন্দষ্ট্রি ষ্টেট অসিদা অমুক হন্না হিঙ্গৎহনগদবনি।

হোটেলশিং, শেকশিং অমসুং অতৈ টুরিজমগা মরী লৈনবা এভেন্যুশিংনা টুরিজম এস ও পিশিং ঙাকপগা লোয়ননা মখোয়গী বিজিনেসশিং হৌগদবনি। ত্রাভেল এন্দ টুরিজম এসোসিএসন ওফ গোৱাগী প্রসিদেন্ট নিলেস শাহগী মতুং ইন্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়াদা ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিং থুংবা য়াবগী অয়াবা পীখিবা অসিনা মপান্দগী দেষ্টিনেসনশিংদগী গোৱাদা চার্টর ফ্লাইটশিং থুংলনবগী শেম শাবগা মরী লৈনবা থবকশিং হৌবগী খুদোংচাবা পীরগনি।

## দলাই লামানা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে

ধরমাসালা, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): টিবেটান স্পিরিচুএল লীদর দলাই লামানা থাংজ নুমিত্তা চহী অসিগী নোবেল পীছ প্রাইজ ৱিন্নরশিং ওইরিবা জর্নেলিষ্টশিং- মারি রেসা অমসুং দিমিত্রি মুরাটোভতা হরাও তয়ান্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রেসকী ফ্রীদম হায়বসি হেন্না ঈং-চিকপা মালেম অমগীদমক্তা য়াম্না মরু ওই হায়খ্রে।

মহাক্না মখোয়দা ইবা লেট্টরদা ফিলিপ্পিন্স অমসুং রসিয়াদা ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন কন্নবা হোৎনবদা জর্নেলিষ্ট অনীনা লৌখিবা থৌদাংবু শকখঙদুনা চহী অসিগী নোবেল পীছ প্রাইজ মখোয়দা পীবা অসিদা মহাক য়াম্না নুংঙাইবা পোকই হায়না ফোঙদোকখি।

# দেল্লীগী কোল ক্রাইসিসকী মতাংদা কেজ্রিৱালনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পূক্নিং চিংশিনখ্রে




ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): থংন-থংননা থা অহুম চুপ্পা নেসনল কেপিটেলনা কোল ফংদবগী প্রোব্লেম মায়োক্লরকপগা মরী লৈননা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অরভিন্দ কেজ্রিৱালনা থাংজ নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ইদুনা খঙহনখ্রে।

দেল্লীদা কোল ফংদবা অসিনা সিটি অসিগী পৱার জেনরেসনদা চাওনা শোক্লিবনি। চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী লেট্টর অদুদা হায়খি, হৌখিবা ওগষ্টতগী লৈরক্লিবা প্রোব্লেম অসিনা দেল্লীগী এন সী টিদা পৱার সপ্লায় তৌরিবা মরু ওইবা সেন্ট্রেল জেনরেটিং প্লান্টশিংনা পৱার পুথোকপদা চাওনা শোকহল্লে।

লেট্টর অদুনা মখা তানা হায়, সী ঈ আর সী টারিফ রেগ্যুলেসন্স (রেগ্যুলেসন ৩৪)গী মতুং ইন্না জেনরেটিং ষ্টেসন অদুনা পিটহেদ অমসুং নন-পিটহেদ ষ্টেসনগী ওইনা মথংশীংনা নুমিৎ ১০নি অমসুং নুমিৎ ২০নি কোল ষ্টোক মেন্টেল তৌবা য়াই।

সী ঈ এ দেলি কোল রিপোর্টকী মতুং ইন্না, নোংমখক্কী কোল ষ্টোকতমক এন টি পি সী দাদরি-টু, জাজার অমসুং দি ভি সী (সী টি পি এস)দা লৈরি অমসুং সিংররাউলিদা নুমিৎ মরিনিখক্তগী ষ্টোক লৈ। মেজিয়াগী ওইনদি হৌজিক কোল ষ্টোক নিল ওইরে।

ফিভম অসিদা দেল্লীদা পৱার সপ্লায় তৌরিবা গ্যেস ষ্টেসনশিংগী মপান তাংবা হেনগৎলক্লে। অদুম ওইনমক, দেল্লীদা পৱার সপ্লায় তৌরিবা গ্যেস প্লান্টশিংদা কেপাসিটি মপূং ফানা চল্লাইনবা এ পি এম মতিক চানা লৈত্রে। মখা তানা ফিভম অসি লৈবা তারবদি দেল্লীগী পৱার সপ্লায় ফিভমদা শাথিনা চৈথেং পীগনি।

আম আদমি পার্টিগী লুচিংবা অসিনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস (পি এম ও)গী মীৎয়েং চিংশিনবগা লোয়ননা দেল্লীদা পৱার সপ্লায় তৌরিবা দাদরি-টু অমসুং ঝাজার টি পি এসগুম্বা প্লান্টশিংদা অতৈ প্লান্টশিংদগী কোল মরাং কায়না থৈবা য়াগনি হায়বা সজেসন পীখি।

লেট্টর অদুদা অনীশুবা সজেসন ওইনা কেজ্রিৱালনা হায়, দেল্লীদা পৱার সপ্লায় তৌরিবা বাৱানা, প্রগাতিটৱান অমসুং জি টি পি এস কুম্বা প্লান্টশিংদা এ পি এ গ্যেস এলোকেট তৌবা য়াই। লোয়ননা দেল্লীগী পৱার ষ্টেসনশিংদা এন এ পি এস গ্যেস মরাং কায়না সপ্লায় তৌবা য়াই।

এক্সচেঞ্জগী খূথাংদা প্লোট অমদা পৱার য়োনবগী মেক্সিমম রেট হৌজিক য়ুনিট অমদা লুপা ২০ ওইরিবসি চানবা মওংদা লেপ্পগা ত্রেদরশিংবু হৌজিক্কী ক্রাইসিস অসিদগী খুদোংচাবা লৌহন্দবা য়াই হায়না সী এমনা ফোঙদোকখি।

থৌরাংশিং অসি ভেক্সিনেসন দ্রাইভশিং, হোস্পিটালশিং, হেল্থক্যের সেন্টরশিং, কোভিদ ক্যের সেন্টরনচিংবগী কোল্ড চেনশিংগুম্বা ইসেন্সিএল সর্ভিসশিংদা পৱার সপ্লায় তৌবদা নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা মরু ওইবা দেল্লীদা লৈবা ষ্ট্রেটেজিক ইন্সটোলেসনশিংদা পৱার লেপ্তনা ফংহনবদা তঙায় ফদে হায়না কেজ্রিৱালনা মখা তাখি।

ইন্দিয়ানা হৌজিক কোল ফংদবগী শাথিবা প্রোব্লেম অমা মায়োক্নদুনা লৈরিবনি। মসিনা পৱার জেনরেসনগী থবক্তা চাওনা চৈথেং পীরগনি। হন্দক্তা প্রোব্লেম অসিনা নেসনল কেপিটেলদসু চাওনা চৈথেং পীবা হৌরকখি। লাক্লিবা নুমিৎশিং অসিদা মরক মরক্তা রোটেসন্দা লোদ সেদিং লৈরবা য়াই হায়রি।

# মিনিষ্টর এস জয়শঙ্কর কির্গিষ্টান, কজাখষ্টান অমসুং অর্মেনিয়নদা চৎলগনি



ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): ললোন ইতিক অমসুং ইনর্জি সেক্টর চাওখৎহনবা য়াওনা হীরম কয়াগা মরী লৈননা এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর এস জয়শঙ্কর ওক্টোবর ১০দগী ১৩ ফাওবা কির্গিষ্টান, কাজাখষ্টান অমসুং অর্মেনিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎলগনি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিৎতা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না জয়শঙ্করনা অহানবদা ওক্টোবর ১০দা কির্গিষ্টানদা থুংগনি অমসুং লৈবাক অসিদা থা অসিগী তাং ১৩ ফাওবা লৈগনি।

মসি এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর ওইনা জয়শঙ্করনা কির্গিষ্টানদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইরগনি। মহাক্না লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টর রুসলান কজাক বায়েবকা বাইলেটরেল মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট সাদির জপারোভকসু উনগনি। খোঙচৎ অসিদা এগ্রীমেন্ট অমসুং মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং খরসু খূৎয়েক পীনরবা য়াই।

মিনিষ্টরনা ওক্টোবর ১১দগী ১২ ফাওবা কজাখষ্টানদা লৈদুনা নুরসুলটানদা পাঙথোকপা কনফরেন্স ওফ ইন্টরেক্সন এন্দ কনফিদেন্স বিল্ডিং মেজর্স ইন এসিয়া (সী আই সী এ)গী ৬শুবা মিনিষ্টিরিএল মীফমদা শরুক য়াগনি। কজাখষ্টান অসি হৌজিক সী আই সী এ ফোরমগী চ্যের অমসুং ইনিসিএটরনি।

জয়শঙ্করনা দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ফোরেন মিনিষ্টরগসু বাইলেটরেল মীফম পাঙথোক্কনি। খোঙচৎ অসিগী অরোইবা লৈবাক ওইগদৌরিবা অর্মেনিয়াদা মহাক ওক্টোবর ১২দগী ওক্টোবর ১৩ ফাওবা লৈগনি। ষ্টেটমেন্ট অসিগী মতুং ইন্না, মসি ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর অমনা নীংতম্বা অর্মেনিয়াদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইরগনি। মহাক্না অর্মেনিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবগা উনবদা নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং নেসনল এসেমব্লিগী প্রসিদেন্টকসু উনগনি।

এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অসিনা মখা তানা হায়, খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অহুমগা লৈনবা ঐখোয়গী বাইলেটরেল মরীশিং রিভিয়ু তৌবা অমসুং লমদম অসিগী দিভলপমেন্টশিংগী মতাংদা লৈরিবা মোটশিং ফোঙদোক্নবগী তাঞ্জা অমা পীরগনি। মসি ঐখোয়গা নক্না লৈবা লৈবাকশিংগা মখা তানা ইনগেজমেন্ট হেনগৎহনবগী শরুক অমনি।

# ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দ মালেমগী মরু ওইবা মেরিটাইম ফোর্সশিংগী মনুং চল্লে: রাজনাথ



চেন্নাই, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): অহানবদা হি তরুক ফাওবা ফাদনা হৌদোকখিবা ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দ ঙসিদি জহাজ ১৫০ হেন্না, এয়রক্রাফট ৬৬ লৈদুনা মালেমগী মরু ওইবা মেরিটাইম ফোর্সশিংগী মনুংদা অমা ওইরে হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চেন্নাইদা লৈবা নেসনল ষ্টদিয়ম কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ইনভেষ্টিচ্যুর সেরিমোনিদা ৱা ঙাঙলদুনা রাজনাথনা হায়খি, লৈবাক অসিগী মেরিটাইম ফোর্সনা মতীক ময়াই লৈবা ঙল্লক্লিবসি মরু ওইনা ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা লৈবাক্কীদমক্তা কথোকপগা লোয়ননা থৱায় য়াওনা হোৎনবা অমসুং মখোয়গী মোরেলননি।

ফোর্স অসিগী প্রোফেসনলিজমবু থাগৎলদুনা মহাক্না হায়খি, ফোর্স অসিগী গ্রোথ অমসুং কনফিদেন্সনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু ক্রাইসিসকী ফিভম কয়াদা মতেং পাংখি। সি সিক্যুরিটি হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা সিক্যুরিটিগী শরুক অমনি হায়না পল্লদুনা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়, ঐখোয়গী মালেমগা শম্নবগা লোয়ননা শেল-থুমগী লম্‌দা মায় পাক্লবা লৈবাক অমা ওইবা ঙল্লিবসি ঐখোয়গী সমুদ্রশিং অমসুং মসিগী রূটশিং অসিননি। ঐখোয়না মসিগী ঈথিল অসি ঐখোয়গী ফেষ্টিভেলশিং, কলচর, লাইনিং লম্বীশিং অমসুং লাইফষ্টাইলদা ময়েক শেংনা উবা ফংলি।

রাজনাথ সিংহনা মখা তারদুনা, সমুদ্র মপানগী ষ্টেটশিংগী সিক্যুরিটিগী মরু ওইবা অমদি মপূং ফাবা ইন্টরনেল অমসুং এক্সটর্নেল সিক্যুরিটি ফ্রেমৱার্ককী তঙায়ফদবসু পনখি।

শ্রীলঙ্কাগী কলম্বো পোর্ট মনাক্তা কন্টেনর কেরিয়র এম ভি এক্স-প্রেস পর্লদা মৈ চাওনা চাক্লকখিবদু ফোর্স অসিনা পোল্যুসন রেস্পোন্স উৎলদুনা মুখুৎখিবদগীদমক মহাক্না ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দপু থাগৎখি। অসিগুম্বা সর্ভিসশিং অসিনা ইনভাইরনমেন্টকী খুদোংথীবশিংদগী কনবা মতেং পাংদুনা ইন্টরনেসনল থাক্তা লৈবাক অসিগী ইমেজ ফগৎহল্লি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা মিলিটরিগী ৱারী শানরগনি



ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা ইষ্টর্ন লাদাখতা বোর্দরগী য়েৎনবা লৈরিবদু লৈখায় তানবা লৈবাক অনীনা নোংমাইজিং নুমিৎতা চাইনীজ সাইদতা লৈবা মোল্ডোদা কোর কমান্দরগী ১৩শুবা ৱারী রাওন্দ পাঙথোক্লগনি।

লৈবাক অনীনা অহুমশুবা ফেজগী দিসইনগেজমেন্ট অমসুং ইষ্টর্ন লাদাখকী লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোল পরিংদা উংখৎনবা হন্থহনবগী ৱাফম খন্নগনি। লৈবাক অনীনা ফ্রিক্সন লৈবা ইষ্টর্ন লাদাখকী লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোলগী গোগ্রাদা লৈবা পেট্রোলিং পোইন্ট (পি পি) ১৭ এদগী ট্রুপশিং ৱিথদ্রো তৌনখিবা মতুং থা অনী কান্নরগা কম্মান্দর থাক্তা মখা তানা ৱারী রাওন্দ অসি শানগদৌরিবনি।

দিসইনগেজমেন্ট প্রোসেস অদু নুমিৎ নীনি চুপ্পা হায়বদি চহী অসিগী ওগষ্ট ৪ অমসুং ৫দা পাঙথোকখি। নাকল অনীগী ট্রুপশিং হৌজিক পার্মিনেন্ট বেজশিংদা লৈরি।

কোর কমান্দরশিংনা চহী অসিগী জুলাই ৩১দা ১২শুবা ৱারী রাওন্দ পাঙথোক্লবা মতুংদা উংখৎনবা মফমদগী ট্রুপশিং ৱিথদ্রো তৌনখিবনি। মীফম অদুগী রিজল্ট ওইনা নাকল অনীনা গোগ্রাদগী ত্রুপশিং ৱিথদ্রো তৌবা য়ানখি। মফম অসিদা লৈরিবা নাকল অনীগী ট্রুপশিং হৌখিবা চহীগী মেদগী মুক্নরকখিবনি।

লৈবাক অনীনা গোগ্রাদগী ট্রুপশিং হন্দোরকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা হৌজিক মিলিটরি টোল্ককী ১৩শুবা রাওন্দদা অতৈ মুক্নরিবা এরিয়াশিং হায়বদি হোট স্প্রিংস অমসুং স্কৱার কিলোমিটর ৯০০ শাংবা দেপসাং তম্পাক্তগী ট্রুপশিং লৌথোক্লবগী ৱাফম খন্নরগনি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মিলিটরি কমান্দর থাক্কী মীফমদা ইন্দিয়ানা লাইন ওফ কন্ট্রোলগী ইস্যু খূদিংমক লৈখাই তানবা তকশিনখি।

হৌজিক ফাওবদা কোর কমান্দরশিংগী ওইবা ৱারী রাওন্দ ১২ শানবগী মথক্তা ফোর্স অনীনা মেজর জেনরেল থাক্তা ৱারী ১০রক শানখ্রে, বৃগেদিয়র থাক্তনা ৱারী রাওন্দ ৫৫ শানখ্রে অমদি হোটলাইনশিংদা কোল ১,৪৫০ তৌনখ্রে। মমাঙদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা হিমালয়ন জয়ন্ট অনীগী ট্রুপশিং পাঙ্গোং সো পাৎ মপান্দগী হন্দোক্লখি। ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা হৌখিবা থা ১৬ লোম অসিদা বোর্দরদা উংখৎনদুনা লাকখি।

## রামলিলা ওর্গনাইজরশিংগী মায়োক্তা এফ আই আর ফাইল তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): দেল্লী পুলিসনা লভকুশ রামলিলা কম্মিটিগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখ্রে। এটেন্দীশিং অমসুং ওর্গনাইজরশিংগী মরক্তা মাস্ক উপ্তুবা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওই কয়া য়াওবদগী পুলিসনা এফ আই আর অদু ফাইল তৌখিবনি।

মসি রেদ ফোর্টতা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাওবা রামলিলানি। কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেভিয়র ঙাক্তুনা মীওই ৪০০ রোম তিল্লগা রামলিলা পাঙথোক্লবগী পর্মিসন পীখি।

নোর্থ দেল্লীগী কোটৱালি পুলিস ষ্টেসনদা সেক্সন ১৮৮ (অথিংবা ওর্দর থুগায়বা)গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি। দেল্লী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (দি দি এম এ)না মসিগী দিরেক্সন্দা ওর্গনাইজরশিংনা মীমশিং মরালিলা শান্নফমদুগী অপূনবা সিট্টিং কেপাসিটিদগী হেন্দনবা অমসুং ষ্টোলশিং শেমদনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

ওর্গনাইজরশিংনা মীওই খূদিংমক চাদা ১০০ মাস্ক উপহনগদবনি অমসুং ভিজিটরশিংগী তোঙানবা এন্ত্রি/এগজিট পোইন্টশিং থমগদবনি হায়নসু খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং পুলিসনা চেক তৌবদা ফেস মাস্ক উপ্তুবা মীওই কয়া য়াওরমখি।

## মেহবূব মুফতি অনন্তনাগতা চৎহনখিদ্রে

শ্রীনগর, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মির ওথোরিটিশিংনা থাংজ নুমিৎতা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবূব মুফতিবু অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা চৎপা য়াহনখিদ্রে।

পুলিসনা গুপকার রোদতা লৈবা মেহবূব মুফতিগী হাই সিক্যুরিটি রেসিদেন্সকী গেট লোক তৌশিনখি অমসুং গেট অদুদা মোবাইল বঙ্কর ফৈনা পার্ক তৌশিনশিন্দুনা মহাকপু সাওথ কাশ্মিরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা চৎপা থিংখি।

মেহবূব মুফতিনা লুচিংবা পীপল্‌স দিমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)না ইরাই নুমিৎতা কাশ্মিরগী লেপ্তুনা শোকচিল্লক্লিবা সিক্যুরিটিগী ফিভম অদু য়েংদুনা লেফ্‌টনেন্ট গভর্ণর মনোজ সিংহ মফম থাদোক্কবা দিমান্দ তৌখিবনি। অকক্না কাশ্মিরী পণ্ডিত ফার্মাসি ওনর অমা, নন-লোকল ষ্ট্রিট ভেন্দর অমা, স্কুলগী শিখ প্রিন্সিপাল অমা অমসুং জম্মু দিভিজন্দা লৈবা সেদ্যুল কাষ্ট ওজা অমদা টেরোরিষ্টশিংনা টার্গেট তৌখিবা মতুংদা তম্পাক অসিদা লৈবা মুসলিমশিং অমসুং নন-মুসলিমশিং অনীমক্কী ৱাখলদা অকি-তুজুংবা পোক্নরকখিবনি।

চৈরকসিদা, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী লেফটনেন্ট গভর্ণর মনোজ সিনহানা শগোলশেন নুমিত্তা সোসল মীদিয়াদা ৫শুবা জেনরেসনগী ৱারফ্যেরদা মরু ওইবা খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নরক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

## সব-ইন্সপেক্টর ৩৮৭ পুলিস একাদমি এগজামদা ফেল ওইরে

পটনা, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): হন্দক্তা বিহারগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা প্রোবেসন্দা দিপ্লোয় তৌখিবা সব-ইন্সপেক্টর ৩৮৭ পুলিস একাদমি এগজামদা ফেল ওইরে। মসিদা নত্তনা দিরেক্টরগী ইভাল্যুএসনদা সব-ইন্সপেক্টর ১০ জিরো মার্ক ফংলে হায়রি।

ওফিসল অমগী মতুং ইন্না, কুমজা ২০১৮ বেট্‌চকী সব-ইন্সপেক্টর ১,৫৮১ ওগষ্ট ২৬তা পুলিস ট্রেনিং সেন্টর, রাজগিরদগী পাস তৌখি। পাসিং আউট পেরেদতা চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারনা চীফ গেষ্ট ওইখি।

মখোয় তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ত্রেনি সব-ইন্সপেক্টরশিং ওইনা দিপ্লোয় তৌখি। অদুমওইনমক, পুলিস একাদেমি রাজগিরনা সব-ইন্সপেক্টর ৩৮৭তা সর্টিফিকেটপীখিদে। পুলিস ট্রেনিং সেন্টর রাজগিরগী দিরেক্টর জেনরেল বৃগু শ্রিনিভাসননা ফোঙদোরকপদা, এগজামিনেসনদা ফেল ওইরবা সব-ইন্সপেক্টরশিং সপ্লিমেন্টরি এগজামিনেসন অনীদা থানবগী খুদোংচাবা পীগনি। সপ্লিমেন্টরি এগজামিনেসনশিং অসিদা ফেল ওইবা সব-ইন্সপেক্টরশিং থবক তৎলগনি।

পুলিস একাদেমি অদুগী ট্রেনিং পাস তৌবগী ক্রাইটরিয়া মতুং ইন্না, কেনিদদেট অমনা সবজেক্ট পুম্নমক্তা মার্ক চাদা ৫০ ফংবা মথৌ তাই। ইন্টরনেল সবজেক্টশিং (রিটন)গী মার্ক ১,৫০০, প্রাক্টিকেল (ফিজিকেল)গী মার্ক ৭০০ অমসুং দিরেক্টরগী ইভাল্যুসনগী মার্ক ১০০ য়াওনা ট্রেনিংগী অপূনবা মার্ক ২,৩০০নি। হৌজিক ট্রেনি সব-ইন্সপেক্টরশিং অদু ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংনা প্রোবেসনদা দিপ্লোয় তৌরিবনি।

ꯐꯦꯅꯤꯛꯁ ꯁꯀꯨꯜ (Phoenix School, in Meitei Mayek)

ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7197/2/10-31/10

## লুপা ক্রোর ১০গী ব্রাওন সুগরগা কোন্ননা মীওই ১ ফারে

ভুবনেশ্বর, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): উরিষ্যাগী কেপিটেল ভুবনেশ্বরদা পুলিসনা দ্রগকী মায়োক্তা চথুরকখিবা কেম্পেনদা য়াল্লবা দ্রগশিং পরিংনাইনা ফাখ্রবা মতুংদা কম্মিস্নরেট পুলিসনা কেপিটেল সিটিগী সাহিদ নগরগী কেসুরা এরিয়াগা নক্নবা মফম অমদগী ব্রাওন সুগর গ্রাম ২৬০ ফারে। দ্রগশিং অসিগা মরী লৈননা নহা অমসু ফারে হায়রি।

থাজবা য়াবা পাউ অমদা য়ূম্ফম ওইরগা ক্বিক এক্সন টিম (ক্যু এ টি)না বলিয়ন্ত পুলিসকা লোয়ননা এরিয়া অদুদা সপ্রাইজ রেইদ অমা চথুখি অমসুং মফম অদুদগী দ্রগ গ্রাম ২৬০ অদু ফাখি। ফারবা ব্রাওন সুগর অদুগী মমল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ১০ রোম ওইগনি হায়রি।

বলিয়ন্ত পুলিস ষ্টেসনদা নার্কোটিক্স দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি পি এস) এক্টকী সেক্সন ২১(সী)গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে। কম্মিস্নরেট পুলিসনা চহী অসিদা নার্কোটিক্সি দ্রগসকী মায়োক্তা অকনবা দ্রাইভ অমা লোঞ্চ তৌখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা কম্মিস্নরেট পুলিসনা ফাবা ব্রাওন সুগরগী চাং পূন্না কে জি ১০ হেল্লে। স্পেসল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ) নত্তনা পুলিস য়ুনিট অমত্তনা চহী অসিদা ব্রাওন্দ সুগর ফাখিবা লৈতে।

ভুবনেশ্বর পুলিসনা ব্রাওন সুগর কেজি ৫.৬৮০ ফাবা লৈখ্রে। কটক অর্বান পুলিসনা কেজি ৪.৬৪৬ ফাদুনা পূন্না কেজি ১০.৩ ফাবা ঙমখ্রে। ভুবনেশ্বর অর্বান পুলিস দিষ্ট্রিক্টতা ব্রাওন সুগর ফাবগা মরী লৈননা কেস ৩৩ রেজিষ্টর তৌখ্রে অমসুং মীওই ৬৭ ফাগৎখ্রে। কটক অর্বান পুলিস দিষ্ট্রিক্টতনা কেস ১১ রেজিষ্টর তৌখ্রে অমসুং মীওই ৩০ ফারে হায়রি।

ভুবনেশ্বর অর্বান পুলিস দিষ্ট্রিক্টতা শেল ওইনা লুপা লাখ ৪৩ হেন্না ফাগৎখি। চহী অসিগী ওগষ্ট ১৫দা ভুবনেশ্বর ওপরেসন হ্বাইট স্পাইদর লোঞ্চ তৌখি অমসুং ঙসি ফাওবদা ব্রাওন সুগর কেজি ১.৭৫ ফাবগা লোয়ননা দ্রগ লল্লোনবা মীওই ৩৭সু ফাখি। কম্মিস্নরেট পুলিসনা দ্রগগী মায়োক্তা মখা তানা দ্রাইভ চথুখিগনি অমসুং ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা সিটি অনী অসি দ্রগ ফ্রী ওইহনগনি হায়রি।

## লখিমপুর খেরি ভাইওলেন্স কেস: অশিশ মিশ্রানা পুলিসতা ষ্টেটমেন্ট পীখ্রে



লখিমপুর খেরি, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী): পুলিসনা অনীশুবা নোটিস থাখ্রবা মতুংদা লখিমপুর খেরিদা লৌমীশিংবু গাড়ীনা তকখিবগী থৌদোক্তা এক্যুজ অমা ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অজয় মিশ্রা টেনিগী মচানুপা অশিশ মিশ্রা থাংজ নুমিৎতা পুলিসতা লাক্তুনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌহনখ্রে।

এক্যুজ অশিশ মিশ্রাবু ইন্টরোগেসন চথুরিবা লখিমপুর খেরিদা লৈবা ক্রাইম ব্রাঞ্চ ওফিসতা মহাক্কী সপোর্টর কয়াসু লাকখি। মহাক্না লাকপদা মহাক্কী উকিল অৱাদেশ সিংহ অমদি সদরগী এম এল এ জোগেস বর্মাবু লোয়নরকখি।

অশিশ মিশ্রাবু ইন্টরোগেসন চথুরিবা মফম অদুদা অমসুং অকোয়বদা সিক্যুরিটি চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। পোইন্ট খূদিংমক্তা বেরিকেদশিং শেমগৎখি। মহাক্কী ইন্টরোগেসন অদুগা মরী লৈননা ইন্টরনেট সর্ভিসশিং সস্পেন্দ তৌখি।

মমাঙদা ইরাই নুমিত্তা লাক্লবা অশিশ মিশ্রাদা নোটিস থাবদা মহাক্না লাকখিদবগা লোয়ননা পুলিসনা থাখিবা অনীশুবা নোটিসতা মহাক থাংজ নুমিত্তা লাক্লগা ষ্টেটমেন্ট পীনবা খঙহনখিবনি। অকোনবগী নোটিস অসিদা পুলিসনা অশিশ মিশ্রাবু করিগুম্বা মহাক লাক্তুনা ষ্টেটমেন্ট পীদবা তারবদি তঙায়ফদনা মহাক্কী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি হায়নসু ৱার্নিং তৌখি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা থাংজ নুমিৎতা মিশ্রানা পুলিসতা ষ্টেটমেন্ট পীরগনি হায়না খঙহনখিবা মতুংদা পুলিসনা অনীশুবা নোটিস অদু ইস্যু তৌখিবনি।

চৈরকসিদা, পঞ্জাব কোংগ্রেসকী চীফ নবজোট সিংহ সিনধু লখিমপুর খেরিগী নিঘাসান এরিয়াদা লৈখিদ্রবা জর্নেলিষ্ট রমন কশ্যাপকী য়ূমদা হঙ্গর ষ্ট্রাইক চথুখ্রে। মহাক্না লখিমপুরগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অশিশ মিশ্রা ফানবা থৌরাং তৌখি। সিনধুনা মহাক মিনিষ্টরগী মচানুপা অদু ফাদ্রিবমখে হঙ্গর ষ্ট্রাইক লেপ্লোই হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অজয় মিশ্রা অমসুং মহাক্কী মচানুপা অশিশপু ফাননবা দিমান্দ তৌরদুনা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী অম্ব্রেলা বোদি অমা ওইরিবা সময়ুক কিষান মোর্চা (এস কে এম)না ওক্টোবর ১৮দা 'রেল রোকো' কৌখ্রে।

NEFSA EDUCATION CONSULTANCY(NEC)
ꯅꯦꯐꯁꯥ (NEFSA, in Meitei Mayek)
Realising Your Dreams
Since 2000, 20 Years of Trusted Service

BDS
AYUSH
ENGINEERING
NURSING
PHARMACY
MANAGEMENT
AGRICULTURE
LAW, PARA MEDICAL &
GENERAL COURSES ETC.

MBBS
INDIA
BANGLADESH,
KYRGYZSTAN
KAZAKHSTAN ETC.

INDIA & ABROAD

FMGE/NEXT EXAM
will be applicable for both INDIA & ABROAD MBBS students from 2023

FOR DETAILS CONTACT
REGD. OFFICE:
ABOVE HDFC ATM, HATTA MINUTHONG I/E MANIPUR
PH:+91-7005102097 / +91-9856154334

CORPORATE OFFICE:
THOUBAL OFFICE: Near Axis Bank +91-8414043799
LILONG OFFICE: Opp. Al-Hayat Hotel +91-8800560814
BABUPARA OFFICE: BOSEM Leirak +91-7005139464
www.nefsa.in

HL-P/0014/13 Sept. to 11 Oct.